ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

গো গ্রীন মিসন মণিপুরগী ব্রান্দ এম্বে-সেদর ভেলেন্টিনানা য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সীল, কদাজিৎ য়ুথস ৱেলফ্যের এসোসিএটেদ ক্লবকী মেম্বরশিংগা লোয়ননা উ চারা থাখিবা

লামায় ৬

শগোলবন্দ এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ক্রিমেটোরিয়মশিং শেমজিন্নবা অমদি ইরুজফম শাননবা এম এল এ আর কে ইমোনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা শেল খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৩

পলেল কৈথেলদা কুপ্পনবা জি আই সীট ভুবোন টেক্নিকেল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্টকী চোরমেন নাওরেম নবচন্দ্র অমসুং ভুবোন ব্রিক ফিল্ডগী মপু নাওরেম নোকুরনা পলেল বজার বোর্দতা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৩

চহীসিগী ঐচ এস এল সী অমদি হায়র সেকেন্দরি এগজ ামিনেসন্দা পোজিসন লৌরকখ্রবা মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মহৈরোয়শিং মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনা তরাম্না ওকুন্না পুক্নিং থৌগৎখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.117 | য়ুমশকৈশা, থৱানগী ২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, July 22, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

বিষ্ণুপুরগী কোভিদ ক্যের সেন্টর হোংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্লম্বা অদু লৌকোই পাৎতা লৈবা ওল্ড দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা ওইনা হোংদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদা হৌখিবা জুন ৮দগী তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবশিং লায়েংবা লেপ্তুনা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওন্থোকখিবদগী মীয়ামনা অনা-লায়েংগী লম্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লাকখিবনি। মীয়াম্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিবু হান্নগুম্না মথৌ হৌহন্নবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিং, মেদিকেল টিম, বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মেম্বরশিং, কোভিদ রিলিফ কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমদি মৈরা পায়বী লুচিংবীশিং য়াওনা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংবা য়াবা মফম কয়া য়েংশিল্লবা মতুংদা লৌকোই পাৎতা লৈবা ওল্ড দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি হাংদোক্লবা লেপ্প খিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবসু বিষ্ণুপুরগী দি সীনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

পুলিসকী দ্রাইভ লেপ্তুনা চত্থরি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্ননবা চত্থরিবা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগাইবশিং ফাগৎতুনা মণিপুর পুলিসনা চত্থরকখিবা দ্রাইভ মখা তানা লেপ্তুনা চত্থরি। ঙসিসু লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগাইবা মীওই ১৫৮ লোম গাড়ী কয়াগা লোয়ননা দিটেন্দ তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা ফাইন ওইনা লুপা ৩২,১০০ রোম থিহনখ্রে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

HL Poll

Q: Sub-Mission on Agricultural Mechanisation (SMAM) schemegi benificiary khanbagi thabak param chumna touee khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State asida COVID-19 local transmission toubagi oirakliba phibam asi laksinnaba leingakna matik chaba thabak paikhatli khanbra?

Yes 17% No 83%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.১৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.১৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৫৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- যূম মৈ চাক্লি খঙনা-খঙনা কদাইদা চৎলুরিনো, তোম্বুং ?

- ꯌꯨꯝ ꯃꯩ ꯆꯥꯛꯂꯤ ꯈꯉꯅꯥ-ꯈꯉꯅꯥ ꯀꯗꯥꯏꯗꯥ ꯆꯠꯂꯨꯔꯤꯅꯣ, ꯇꯣꯝꯕꯨꯡ ?



- বাজি, হীদাক মচা অমত্তং পায়রুবনি, যূম তুমদ্রিবা হৌজিকফাও?

- ꯕꯥꯖꯤ, ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯃꯆꯥ ꯑꯃꯇꯪ ꯄꯥꯏꯔꯨꯕꯅꯤ, ꯌꯨꯝ ꯇꯨꯝꯗ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯐꯥꯎ?

মণিপুরদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা কৌজেং মখল অমা য়াইরিপোক খোইরোমদা থেংনরে, লৌমীশিং মীপাইনরে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিদা চহী ২৬কী মনুংদা কৌজেংনা চত্থবা খ্বাইদগী শাথিবা এটেক চহী অসিদা মায়োক্লরবা য়াই অমদি লাক্কদবা চয়োল মরিদা কৌজেংগী এটেক্তগী চেকশিন্না লৈনবা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও) না জুলাইগী অহানবা চয়োলদা চেকশিন ৱারোল থমখ্রবা মতুং মণিপুরদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা কৌজেং মখল অমা য়াইরিপোক খোইরোমদা ঙসি থেংনরে। নৌনা থেংনরবা কৌজেং মখল অসিনা লৌফমশিংদা এটেক চত্থরকক্দ্রা হায়বগী মীপাইবা লৌমীশিংদা পোল্লরে হায়রি।

হৌখিবা মতমশিংদা মণিপুরদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা কৌজেং মখল অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক্তা লৈবা তরং চীংদোলদা থেংনখিবনি। কৌজেং মখল অসিবু ইহান হান্না থেংনরকপনি হায়বা য়াইরিপোক খোইরোম মখা লৈকায়দগী হাওবম মেঘচন্দ্রগা লোয়ননা পাউমী কাঙবু অমা মফম অদুদা য়েংবা চৎলুবদা কৌজেংশিং অদু চীংথত্তা হৌবা উপাম্বী অমদি নাপীশিংদা তোংদুনা লৈরমখি।



কৌজেংশিং লৈরম্লিবা মফম অসি তরং লৌকোল অমদি সেলোম লৌকোলগা থংননা লৌবুক্তগী শুপ্পগী ফীট ৩০/৪০ রোমতমক লাপ্পা মফমদনি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট খরদা কৌজেংশিংনা লৌফমদা থারিবা মনা-মশিং মাঙহন-তাকহনবগী পাউ লৈখ্রবা মতুং অসিদা মণিপুরদসু নৌনা থেংনরিবা কৌজেং মখল অসি মশীং য়ামশিল্লক্তুনা লৌফমশিংদা হৌরিবা ফৌ পান্বীশিং অমদি মহৈ-মরোং কয়াদা চডুনা মাঙহন-তাকহনবা থোকহল্লক্দ্রা হায়না মফম অদুগী লৌমীশিং মীপাইবা পোল্লহৌরি। মফম অদুদা লৈহৌরিবা কৌজেং শঙ্গুশিং অদু চাউরাক্লা ৫০০দগী ১০০০ রোম ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। কৌজেংশিং অসি পুন্না-পুন্না মফম হোং-হোংদুনা চৎলি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী অখঙ-অহৈশিংনা নৌনা থেংনরিবা কৌজেংশিং অসিগী মতাংদা থিদোকপীরগা ফৌ পান্বীশিং অমদি মহৈ-মরোংশিং মাঙহন-তাকহল্লক্কদবদগী কঞ্জহৌনবা মতম চারিঙৈদা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়না লৌমীশিংনা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ অমদি মহারাষ্ট্রনচিংবা মফম খরদসু কৌজেংনা মহৈ-মরোং কয়া মাঙ তাকহনখিবা লৈখ্রবনি। ৱর্ল্ড মেটিরিওলোজিকেল ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এম ও) নসু কৌজেংগী এটেক অসিনা ইষ্ট অফ্রিকা অমদি ইন্দিয়াগী ফুদ সিক্যুরিটিদা চাউনা চৈথেং থোকহল্লবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

এক্স এম এল এ শ্যামকুমারগী মথক্তা হায়কোর্টতা লৈরিবা কেস অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিনহনবীনবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাকসিদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট, মাহুদ অমসুং হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর ওইরমখিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারবু স্পিকর ত্রাইব্যুনেললনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখ্রবসু হৌজিক মহাক্কী মথক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিশন কেস অমা পন্দুনা লৈরক্লিবসি অথুবা মতমদা লোইশিনহন্নবা দিরেক্সন পীবিনবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখ্রে।

হৌজিক হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চ অমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী হৌজিক ফাওবদা পন্দুনা লৈরক্লিবা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন কেস অদুগী নম্বর ৪ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি মহাক্না অন্দ্রো এ সীদা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন পিটিসন কেস অসিদা এক্স এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারনা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবনি। অদুম ওইনমক ইলেক্সন পিটিসন অসি চহী ৩ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা হৌজিকসু মসিবু হায়কোর্টকী বেঞ্চ অসিনা দিসপোজ তৌবগী ষ্টেজ দা লৈতবদগী পিটিসন অসিগী পিটিস্নরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা হায়কোর্টতা পন্দুনা লৈরক্লিবা কেস অসি অথুবা মতমদা লোইশিনহনবীনবা দিরেক্সন পীবিনবা প্রেয়র তৌরদুনা ৱাকৎখিবনি হায়রি।

ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা পিটিস্নর ওইদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর ৬৭৪ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুর এন্দ আদরসনি। সিভিল রিট পিটিসন অসি ঙরাং এপেক্স কোর্ট অসিগী জষ্টিস রোহিনটোন ফালি নরিমান অমসুং জষ্টিস নভিন সিনহাগী কোরমদা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখি। অদুম ওইনমক কোর্টনা কেস অসি চয়োল অমগী ওইনা এদজোর্ন তৌরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায়কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসিদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এক্স এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

কোনগী পি আই এলদা কোর্টনা রেস্পোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর এম্পৱারমেন্ট (কোন) অমসুং 'দি য়ুজর' সোসাইটি ফোর ইফেক্টিভ রেস্পোন্স, মণিপুরগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী ওর্দরদা কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট (দিপার্টমেন্ট)শিংনা পর্স্যু তৌদুনা লাকখিবা হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী জুন ৬তা পীরকখিবা দিরেক্টিভশিং অদুগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী প্রাইভেট আই আর সী এশিং মেনেজ তৌনবা রুল এন্দ রেগ্যুলেসন ফ্রেম তৌননবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পিটিসন অসি কোনগী প্রসিদেন্ট আর কে নলিনিকান্ত (৫০),

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

মণিপুরগী কেস মশীং লিশীং ২ হেনখ্রে

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা টোটেল সটদাওন অমসুং কর্ফিয়ু থমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লোকল ট্রান্সমিসন তৌবগী ষ্টেজদা লাকপগা লোয়ননা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৯০ পোজিটিভ ওইবা থেংনবগা লোয়ননা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং লিশীং ২ হেনখ্রে।

মপান লমদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া অমা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা টোটেল সটদাওন অমসুং কর্ফিয়ু থমখ্রে।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবুনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পূম্বদা টোটেল লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লাক্লিবা জুলাই ২৭ ফাওবা থম্লে। মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই কয়া হন্দক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মরম অসিনা টোটেল লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি থম্বনি। টোটেল লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু মনুংদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবালনা অয়াবা পীবা ইসেন্সিএল সর্ভিসকী মীওইশিং নত্তনা অতৈদি অথিংবা অসিনা কোমথোক্লোই। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট মুভমেন্ট তৌবদসু অথিংবা থম্লে হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

থৌবালগী দেপ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনসু ওর্দর অমা থোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খুদিংমক্তা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্লিফাওবা সী আর পি সী ১৯৭৩গী সেক্সন ১৪৪গী সব সেক্সন ২গী মখাদা কর্ফিয়ু থম্লে হায়না লাউথোকখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক মপান্দা চৎলুবগী ট্রাবেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা সর্ভিলেন্স তৌবগী থবকসু চত্থবা হৌখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিদা মীয়াম্নসু মপুং ফানা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌরদুনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবাল, এন বন্দনানা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী কোভিদ-১৯গী কেস ১১৩ থেংনরে। মসিগী মনুংদা ৮৬ অমনা তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরম্লনি অদুগা ২৭ অমনা প্রধান, জি আর এস, ভল্যুন্টিয়র য়াওনা মখোয়গা নক্কনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

সাম্যুএল জেন্দাইগী পিটিসন খন্ননবা ঙসি অমুক হন্না লিষ্ট তৌরে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): তমেংলোং এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবা সাম্যুএল জেন্দাইনা মহাক্কী রিজিগনেসন লেট্টরবু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরবু শীংনরকখিবা পিটিসন অদু ঙরাং অমসুং ঙসি থংননা লিষ্ট তৌরবসু খন্নখিদবগী হয়েং খন্ননবা অমুক হন্না লিষ্ট তৌরে।

সাম্যুএল জেন্দাই মশানা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর ৩৯৬ ওফ ২০২০নি। মহাক্কী পিটিসন অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর অমসুং মহাক্কী সেক্রেটরিনি।

ঙসি পিটিসন অসি অনীরকশুবা ওইনা জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা কেস অসি খন্ননবগীদমক লৌখৎলকপদা পিটিসন অসিগা মরী লৈননা কেভ্যাইট পিটিসন নম্বর ১৩২ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবা কোংগ্রেসকী জেনরল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) হরেশ্বর গোশ্বামিগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীগী মায়কৈদগী সিভিল রিট পিটিসন অসিগী কোপি মহাক্না ঙসিখক্তমক ফংলিবনা মসিবু য়েংনবগী মতম পীবিবগা লোয়ননা হয়েং ফাওবদং এদজোর্ন তৌবিনবা হায়জরকখি।

কোর্টনা কেভ্যাইট পিটিস্নরগী কাউন্সেলনা তৌরকপা প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীরদুনা কেস অসি ঙসিগী ওইনা এদজোর্ন তৌরগা হয়েংগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মিনিষ্টর ৪ ইম্ফালদা হল্লকখ্রে, ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লৈঙাক্কী ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ন অমদি সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন দিল্লিদা লুচিংবা কয়া উনরক্লবা মতুং ঙসি ইম্ফালদা হল্লকখ্রে।

মিনিষ্টর ৪না ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌনবা সেম্পলনচিংবা কলেক্সন তৌখি। এয়রপোর্টতা থুংলবা মতুং পুং ১ হেন্না মিনিষ্টরশিং অদু ইম্ফাল এয়রপোর্ট মনুংদা লৈখি। তুংদা এয়রপোর্টতগী থোক্লকপদা পাউমীশিংনা দিল্লি খোঙচৎকী মতাংদা ৱাহং কয়া হংনবা চঙশিনখি। অদুবু মিনিষ্টরশিংগী মায়কৈদগী থোইদোকপা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে।

ইম্ফালদা ঙসি হল্লকখ্রবা মিনিষ্টর মরি অসি ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈব্রা হায়বদুদি ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপদি লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, মিনিষ্টর ৪না দিল্লি লৈরিঙৈদা মনুংদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা উনদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভম কয়াগী মতাংদা ৱারী শানবা লৈখি। পাৱর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট পাৱর (ইন্দিপেন্দন্ট চার্জ)সু উনদুনা মণিপুরগী মৈগী তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াগী মতাংদা ৱারী শাখি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম এন সী টি ঈগী সেক্রেটরি অমদি য়ু জি সীগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মণিপুরদা থবক্কী চঙলকপা লেবর অমদি ওফিসলশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহন্দুনা ক্বারন্টিন্দা লৈহনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়াওনা মালেম পুম্বনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা অচৌবা প্রোজেক্টশিংগা মরী লৈননা থবক শুনবা ইনৌ নৌনা মপানদগী ষ্টেট অসিদা চঙলকপা ওফিসল অমদি লেবরর খুদিংমক তঙাইফদনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট শুংশোয় শোয়দনা তৌহনবগা লোয়ননা ক্বারন্টিন্দা লৈহনগনি হায়না মণিপুর গভর্নমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) ভি ভুমলুনমাঙনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা খঙহল্লক্লি।

ওর্দর অসিনা হায়, মণিপুরদা রেলৱেজ, রোদৱেজ, পৱার, ৱাটর সপ্লাইনচিংবা তোঙান-তোঙানবা অচৌবা প্রোজেক্টশিংগা মরী লৈননা মশীং য়াম্লবা ওফিসলশিং অমসুং লেবর কাঙবুশিংনা থবক শুরি। লাক্লিবা মতম খরা অসিদা মখা তানসু ষ্টেট অসিদা অহেনবা ওফিসলশিং অমসুং লেবররশিং চঙলক্কদৌরি।

হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক অসি য়েংদুনা মণিপুরদা থবক শুনবগীদমক ইনৌ নৌনা চঙলক্লিবা মীওইশিংনসু শুংশোয় শোয়দনা টেষ্ট তৌগদবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা কম্পনিশিং অমসুং এজেন্সিশিংনা পেদ নৎত্রগা লৈঙাক্কী অয়াবা লৌদুনা তোঙানবা ক্বারন্টিন ফেসিলিটিশিং হাংলগা নৌনা চঙলক্কদবা মীওইশিং অদু ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈহনগদবনি। লেবরশিং অমদি ওফিসলশিং অসিনা হৌজিক চৎনরিবা টেষ্টিংগী রেটশিংগী মতুং ইন্না মণিপুরদা ফংলিবা পেদ টেষ্টিং ফেসিলিটিশিংগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি। মসিদা নত্তনা মখোয়না কম্পনি নৎত্রগা এজেন্সি অদুনা টেষ্টকী সেম্পল লৌজনবা শীঞ্জবগী মখা পোন্না রিমস অমসুং জেনি-মসকী ভি আর দি এল লেবশিংদা লেম্না টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবসু লৌবা য়াগনি। ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ইনিসিএল ট্রেনিং অমসুং ভি টি এম সপ্লাই পীগনি হায়নসু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের ভি ভুমলুনমাঙনা থোকখিবা ওর্দর অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মপান্দগী লাকখিবা মীওই কয়া আই এল পি পায়দনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরম্বা থেংনখ্রবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ভাল্ব রেস্পিরেটর য়াওবা এন-৯৫ মাস্ক শীজিন্নদনবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সি): মালেম পুম্বগী মীয়াম্না মীপাইনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না অফবা মখলগী মাস্কনি হায়না শীজিন্নরিবা ভাল্ব রেসপিরেটর য়াওবা এন-৯৫ মাস্ক শীজিন্নদনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ হেল্থ সর্ভিস রজিভ গর্গনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মেদিকেল এদ্যুকেসন অমদি হেল্থকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিশিংদা ইখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হেল্থ ৱাকসশিংনা শীজিন্নরিবা এন-৯৫ মাস্ক মীয়াম্না লান্না শীজিন্নরে। এন-৯৫ মাস্ক

অসিনা কোভিদ-১৯গী ভাইরস ঙাকথোকপা ঙমদে। মরম অদুনা মীয়াম্না এন-৯৫ মাস্ক শীজিন্নবা থিংনবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী হেল্থ সর্ভিসকী মরী লৈনবা খঙহনখিবনি।

ভাল্ব রেসপিরেটর য়াওবা এন-৯৫ মাস্ক অসিনা কোভিদ-১৯গী ভাইরস ঙাকথোকপগী মহুৎতা হায়রিবা মাস্ক অসিদা ভাইরসনা য়াম্না লায়না চঙবা ঙম্মী। মপান্দগী চঙলক্কদৌরিবা ভাইরস অসি এন-৯৫ মাস্কনা ঙাকথোকপা ঙমদে হায়নসু চিঠি অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি। এন-৯৫ মাস্কস্তী মমাংথংবা শরুক্তা য়াওরিবা ভাল্ব রেসপিরেটর অসিনা মরম ওইদুনা ভাইরস অসি য়াম্না লায়না চঙবা ঙম্মগী মরম অমা ওইহল্লি। এন-৯৫ মাস্ক শুপ্পগী হেল্থ ৱাকর্সশিং অমদি কন্সট্রক্সন সাইটকী থবক তৌবা মীওইশিংগীদমক দিজাইন তৌদুনা শাখিবা মাস্ক মখল অমনি।

কটনগী ফীনা য়ূমদা মাস্ক শাদুনা অদুমক শীজিন্নবা য়াই। তৌবতবু চীন অমদি নাতোনবু মপুং ফানা কুপশিন্নবগী দিজাইনদা শেম্লা মথৌ তাই। শীজিন্নরিবা মাস্ক নুমীৎ

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

☛ লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।

☛ লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/1-31/7

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫